# থোংজু ফৈজালৈতোং কম্যুনিটি হোলদা মীওই ১০০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিভ ওইরম্লে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):
ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র কম্মিটি (এস দব্লিয়ু এফ সী) ক্লব রিলিফ কম্মিটি অমদি থোংজু এ সী ৱার্ড লেভেল টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ওগা খুৎশম্নরগা ঙসি থোংজু পার্ট টু ফৈজালৈতোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা মীওই ১০০ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১১ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরে হায়রি।



ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা মীওই ১০০ অদু আর এ টিদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবনি। টেষ্ট তৌবগী থৌরাং অদু মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা বাশিখোং জেদ পি মেম্বর চিরোম রোমিও, থোংজু পার্ট টুগী প্রধান নামৈরাকপম কানোল অমদি ৱার্ড নম্বর ৪গী ৱার্ড মেম্বরশিংগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি।

টেষ্ট তৌখিবা অসিগী সোসল ৱেলফেয়র কম্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংনসু মীয়াম্বু মতেং পাংখি। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী মীয়াম্বু ঙাকথোকহৌননবগী পান্দমদা টেষ্ট তৌবগী থৌরাং অসি পায়খৎখিবনি হায়রি।

# এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):
মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা ঙসি এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি (২০২১-২২) হাংদোক্নুনা কম্মিটি অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা এম এস এফকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম এস এফকী থবক থৌরম কয়া মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী থবক থৌরমশিং তৌবদা মঙম শান্না পাঙথোকপা ঙম্মনবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসি এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসি রিফোর্ম তৌবনি। ঙসিগী ভিদিও কনফরেন্সতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মহৈরোয় অমদি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা খুন্নাইসিদা অওনবা, অহোংবা পুরক্ক বা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা এম এস এফকী থবক থৌরমশিং মঙম শান্না পাঙথোক্লনবা ফিরেপসু লৌমিন্নখি।

এম এস এফ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুননবা খল্লবশিং অদুদি লোইতোংবম অরুনকুমারনা প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম জেমসন মৈতৈ অমসুং শৌগাইজম মাইকেলনা ভাইস প্রসিদেন্ট, রাহুল অসেমনা জেনরেল সেক্রেটরি, মৈতৈ ঙানবা থৌনাওজম, অসেম অরুনকুমার অমসুং মেমতোম্বী থাংজমনা জোইন্ট সেক্রেটরি, লৈতাম্থেম মাইকেলনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, খুমুকচম বিশ্বজিৎনা এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, সনসম কুঞ্জোনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, হাওবিজম স্বামি মৈতৈনা এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, ওক্রম পুজানা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, থোইদিংজম বিদ্যানন্দ মৈতৈনা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি, খুমন্থেম মিনাকুমারীনা ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরি, শৌগাইজম রোসনি অমসুং থাংজম রোনিবালানা এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফেয়রস সেক্রেটরি, মোইরাংথেম বোরিশ মৈতৈনা দ্রগস এফেয়রস সেক্রেটরি, শামুরাইলাৎপম ইন্দুরানিনা এসিষ্টেন্ট দ্রগস এফেয়রস সেক্রেটরি, খুমন্থেম লনচেনবনা গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, য়ুম্নাম স্পেলিশ মীতৈনা এসিষ্টেন্ট গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, নাওরেম সর্দা চনুনা কলচরেল এফেয়রস সেক্রেটরি, নিংঙোম্বম অশানা এসিষ্টেন্ট কলচরেল এফেয়রস সেক্রেটরি, লাইতোঞ্জম রোনিতা চনুনা ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজি এফেয়রস সেক্রেটরি, নাওরেম দাইনানা এসিষ্টেন্ট ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকো এফেয়রস সেক্রেটরি অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা মাইবম রোহেন, খাইদেম কল্পনা চনু, মাইবম গেনিন মৈতৈ অমসুং নাওরেম মিনারাবা চনুনি।

## য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):
অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এস এস সী দি সী)গী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম সুর্জমনিগী লীচিং মখাদা ঙসি অনীরকশুবা ওইনা অৱাং সেকমাইদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী অৱাবা নংলবা য়ুমথোঙ ১০০ রোমদা চেঙ, আলু, তিলহৌ, অচাথাউ, হৱাই, থুম, য়েরুমনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী খোঙচৎ অদুদা অৱাং সেকমাই সেদ্যুল্ড কাষ্ট দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম ঈশ্বরচন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই শরত অমসুং এ অবো য়াওনা কম্মিটি অসিগী মরুওইবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। তেংবাঙ পোৎলমশিং অদুবু য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা এ এস এস সী দি সীগী মায়কৈদগী অৱাং সেকমাইদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা অথুবদা হাংবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা কোভিদকী আইসোলেসন সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচএনএস):
কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা কোভিদ-১৯গী আইসোলেসন সেন্টর অমা কোংপাল ইম্ফাল মোর্নিং হায় স্কুলগী কমপ্লেক্সতা ঙসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হাংদোকখ্রে।

আইসোলেসন সেন্টর অদু হাংদোকপগী থৌরমদা তোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মংশাতাবম দিনচন্দ্র, পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী ও সী বিনোদকুমার, ৱার্ড মেম্বর মংশাতাবম রাধাকান্ত মৈতৈ, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না অমদি লৈকায় অসিদা লৈবা ডোক্তরশিং অমদি আশা ৱর্কর কয়া শরুক য়াখি।

কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং য়াওবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী আইসোলেসন সেন্টর অদু হাংদোক্লদুনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লৈকায় কয়াগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা কোভিদ টাস্ক ফোর্স শেমদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্ননবা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি। কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী ভলন্টিয়রশিংনা লৈকায় অসিগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্ননবা হোৎনরিবা কয়া অসিনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়াম্বু লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মতৌ অসুম্না এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়ানা শেম্বা কোভিদ-১৯গী টাস্ক ফোর্সশিংনা হাংদোক্লিবা আইসোলেসন সেন্টরশিংদসু পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা কয়ানা য়ুমদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈবদা লায়না অসি হেন্না শন্দোরকপা য়াবগী ফীভম অমদা লাকপদগী লৈকায় লৈকায়গী নৎত্রগা এ সী অসিগী ওইনা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর, আইসোলেসন সেন্টরশিংদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা হৌনরে। মীপুম খূদিংমক্লসু পোলিটিকেলগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):
বি জে পিগী নেসনল কেম্প্যেন সেবা হি সংঘথন মপুং ফানা মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল প্রসিদেন্ট রাজকুমার চাহরজিনা মীয়ামদা মথৌ তাবা মতেং ফংহন্ননবগীদমক লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯গী হেল্প দেস্ক হাংদোকখ্রবগী মতুংদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা পি ঐচ সী খুরখুলদা বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল সেক্রেটরি কে ঐচ জিবন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চাগী ইন-চার্জ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এন্দ ইম্ফাল সেন্ট্রেল কৈশাম মুতুম দিনেশ্বর, ফুল্লৌ ময়াংলাংজিংগী জিলা পরিষদ মেম্বর কৈশাম সহদেব, বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি চোংথাম ইবোহল, বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি ৱাই সুরেশ, বি জে পি কিষান মোর্চা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রেমজিৎ, সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন নাওবী অমদি মন্দল অসিগী মরুওইবা কার্যকর্তাশিংনা শরুক য়াদুনা ভেক্সিন কাপ্পা লাকখিবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা সেবা হি সংঘথন অমসুং মেরা বুঠ কোরোনা মুক্ত কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে হায়না বি জে পি কিষান মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।


## DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR



**CONDOLENCE MESSAGE**

Imphal, the 26th May, 2021

The Dhanamanjuri University administrative staff, teaching faculties and non-teaching staff of the five Constituent Colleges (viz. D.M. College of Science, D.M. College of Arts, D.M. College of Commerce, G.P. Women's College & L.M.S. Law College) express a deep sorrow on the sudden and untimely demise of Dr. Vareso Ningshen, Associate Professor,
L.M.S. Law College, Imphal, Dhanamanjuri University.

Dr. Nigshen was a sincere, serious and laborious teacher. He was a member of many Committees of the University including Academic Council. It will be very difficult to fill the vacuum created by his loss. All members on virtual mode observed a 2 (two) minute silence and prayed to the almighty for the departed soul to rest in peace in the heavenly abode. The University and its Constituent colleges will always remember the service and contributions made by him.

We, the members of Dhanamanjuri University also share deep sense of sorrow and grief with the members of the bereaved family, while also praying that they have the strength to bear the terrible loss.

Sd/-
(Prof. N. Rajmuhon Singh) Vice-Chancellor
Dhanamanjuri University, Manipur


HL-B/6978/27


লৌশিং পুক্কে

# য়েল্লো ফঙ্গসনা মতৌ করম্না

## হ্বাইট অমসুং ব্লেক ফঙ্গসতগী তোঙাল্লিবনো

ইন্দিয়াগী ওইনা নোংমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবগী কেস মশিং লাখ ২গী মখাদা তাথরকপগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী সেকেন্দ ৱেভ অসি খরা তপথরক্লে হায়বা য়াই। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি পোজিটিব কেস থেংনবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা য়েংবদা খরা হন্থরক্লে হায়রগসু ৱেভ অসিগী অফ্টরমেথ ওইনা ফঙ্গেল ইনফেক্সনশিং নৌনা থেংনবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন ওইনা তমথিরবা 'য়েল্লো ফঙ্গস'কী কেস থেংনবগী রিপোর্ট লাক্লি।



উত্তর প্রদেশতা কোভিদ-১৯দগী রিকভর তৌরক্লিবা পেসেন্ট অমদা ব্লেক অমসুং হ্বাইট ফঙ্গেল ইনফেক্সনশিং লৈনা লৈনা য়েল্লো ফঙ্গসসু অমুক নাবা থেংনখ্রে। য়েল্লো ফঙ্গস অসি হকচাং মনুংদগী হৌরকপনা মরম ওইরগা লায়না অসিবু আইদেন্টিফাই তৌবা অমদি লায়েংবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবনা হান্নগী ফঙ্গল ইনফেক্সন অনী অসিদগী হেন্না তমথিবা হেল্লি হায়রি। হৌজিকফাওবগী ওইনা হায়রিবা য়েল্লো ফঙ্গস অসিগী মরমদা খঙলবা ৱাফমশিং মখাদা পীরি।

ম্যুকোর সেপ্টিক হায়নসু কৌবা য়েল্লো ফঙ্গস অসি এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না মসি মীওইবদা নাগন্দবা চুম (লিজার্দ) গুম্বদা নাবা ফঙ্গেল ইনফেক্সন অমনি।

হকচাংগী অরূম্বা হন্থবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চোকথবা অসিনচিংবশিং অসি য়েল্লো ফঙ্গস ইনফেক্সনগী কম্মন সিম্পটমশিংনি। অদুবু মসি মতম চানা খঙহৌদ্রগদি সিম্পটমশিং অসিগী মথক্তা নাই থোকপা, মীৎ পোম্বা, ওর্গান ফেল্যির, অশোকপা ওইশিনবা তপ্পা অমদি নেক্রোসিস (অহিংবা টিস্যুশিংদা য়াওবা সেলশিং মতম য়ৌদ্রিঙৈদা শিবা)নচিংবা য়াওনা হেন্না ফিভম শোকশিল্লকপা য়াই।

য়েল্লো ফঙ্গস অসি মতম চানা খঙহৌরগদি লায়েংবদা লায়না থোকই। অদুবু মসি হকচাং মনুংলোমদগী ওইনা হৌরকপনা লায়না অসি নারে হায়বগী দিটেক্সন অমদি ট্রিটমেন্ট অসি অনম্বনা থেঙথগল্লি। মসিনা মীওই কয়াদা ওর্গান ফেল্যিরফাওবা তৌহনবা য়াই। হৌজিকফাওবগী ওইনদি লায়না অসিগী মোর্টেলিটি রেটকী মতাংদা চপ চাবা চাং পীবা ঙম্বা ষ্টদি নৎত্রগা দেটা লৈত্রি।

হৌজিফাওবগী ওইনা ব্লেক ফঙ্গসকী কেস মশিং ১০,০০০গী মথক্তা রিপোর্ট তৌখ্রে। ফঙ্গস অসিনা মীৎ, নাতোন, মায়, লংস অমদি খরা ফিভম শোকচিল্লগনা ব্রেনদফাওবা শোকহল্লি। এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ষ্টেরোইদ লান্না শীজিন্নবা হায়বসি ব্লেক ফঙ্গসকী কেস য়ামখৎলক্লবগী মরম অমা ওইবা য়াই হায়রি।

ষ্টেরোইদ মতম শাংনা শীজিন্নরক্লিবা মীওইশিং, অতোপ্পা কোমোর্বিদিটিশিং লৈবা নৎত্রগা মতম শাংনা ওক্সিজেন সপোর্ট পীদুনা লৈবা মীওইশিং ইনফেক্সন অসিগী রিস্ক হেন্না ৱাংই। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি শিবা ফাওবা য়াওবা য়াই।

ব্লেক ফঙ্কসকা চাংদম্নবদা হ্বাইট ফঙ্গসকী কেসনা খরা হন্থনা থেংনৈ। হ্বাইট ফঙ্গসকী সিম্পটমশিং কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগীগা মান্নৈ। ইম্যুনিনি কমপ্রোমাইজ তৌরবা মীওইশিং অমদি হাইজিন নীংথিনা ফোলো তৌদবা মীওইশিং ইনফেক্সন অসিনা নারকপা য়াবগী চাং ৱাংই। লায়েংবা থিন্থরবদি খুদোংথীনিংঙাই ওই।

হ্বাইট ফঙ্গসনা শন্দোকপগী মওং অসি হকচাংগী মরুওইবা ওর্গানশিং মাঙ তাকহনবা ঙম্বা মরম্না ব্লেক ফঙ্কসতগী মসিনা হেন্না মী শিনিংঙাই ওই। ইনফেক্সন অসিনা ব্রেন, দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম, রেস্পিরেটরি ওর্গান, কিদনি অমদি ফিনুংগী কয়াৎফাওবদা শোকহনবা ঙমই।

য়েল্লো ফঙ্গসকী ওইনদি - হ্যুমিদিটি লেবেল ৩০-৪০%গী মখাদা লৈরগদি ফঙ্গস অসি হৌগৎলকপদা প্রোমোট তৌই। ফঙ্গস অসি হৌগৎলকপগী মরুওইবা মরমদি হাইজিন নীংথিনা লৈতবা হায়বসিনি। অপূম্বা চীঞ্জাকনসু ফঙ্গস হৌরক্লবগী মরম ওইবা য়াই।

হৌজিকফাওবগী ওইনা য়েল্লো ফঙ্গসকী অমত্তা ঙায়রবা মশক খঙলবা ট্রিটমেন্ট অসি এম্ফোতেরিসিন বি ইঞ্জেক্সননি। মসি ব্লেক ফঙ্গস লায়েংবদা শীজিন্নবা এন্টিফঙ্গেল দ্রগ অমনি।

ঐখোয়না ইশাবু য়েল্লো ফঙ্গসতগী ঙাকথোকচনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং খরা হায়বা তারগদি:

– য়ুম অমসুং য়ুমগী অকোয়বা লূ-নান্না থমগদবনি।
– মতম হেল্লবা নৎত্রগা পথ্থ পুমথরবা চীঞ্জাক চারোইদবনি।
– কা মনুংগী হ্যুমিদিতি চাং চানা থম্বা। হ্যুমিদিতি ৱাংমনবনা ফঙ্গস হৌহনবদা মতেং পাংই। ক্রোস ভেন্টিলেসন লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।
– কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংনা মশাদা য়েল্লো ফঙ্গসকুম্বা কমপ্লিকেসনশিং লাকহন্দনবগীদমক মখোয়গী ট্রিটমেন্ট অদু হেক য়ারিমখৈ থুনা হৌগদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মাগী-মাগী মীহুৎশিংনা মতেং পাংবিয়ু



মণিপুরদা হান্না ওইরমদবা মওংদা নোংমদা পোজিটিভ অমদি শিরকপগী চাং অসি মপান লমগী ষ্টেটশিংগা মান্নরপ লৈরে। ফীভম অসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা মীয়াম্না চৎন-কাংলোনশিং ইন্দদুনা চেকশিন্দনা লম্বীদা পঙচৎতা চৎতুনা লৈরিবসিবু করিগীনো? অয়ুক-নুংথিল নুমীদাংদা রেদিও, টি ভিদা লাউরিবসিবু করিদা কান্নরিবগে? লৈঙাক অমদি লৈবাক মীয়াম পুম্নমক অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা চঙশিনমিন্নবা চঙই। লমদম অসিগী মশক নাইরবা-নাইরবি কয়াসু কোভিদনা লৌশিনবিখ্রে। মসিমক তশেংনা নুংঙাইতবা ফাওই। অমরোমদা ইম্ফালগী অকোয়বদা হাংদোক্লিবা কোভিদনা নারবশিংগী লৈফমশিংদা দাক্তর অমদি নর্সশিং মতিক চানা লৈতবা য়াওরিবশিং অসি মরি লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নিংই। কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা অদুগা লাইওংদি কন্না উৎতবা য়ুম-য়ুমদা লৈহল্লিবসি নক্না লৈমিন্নবা মীওইশিংদা শন্দোক্লরোইদ্রা? করম্বা মওংদা য়ুম-য়ুমদা লৈহনগদৌরিবনো? মসিদগী শন্দোরকপা য়াওরগদি কনানা দায়ত্ব লৌবিগদৌরি। কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মাগী-মাগী এ সীশিংগী মীহুৎশিংনা মতেং পাংবিরবদি লৈবাক মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনরক্কনি।

❐ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

### মণিপুরদা খুন্তাক লানশিবা হায়বদু থোক্লবরা? ইমাদি ঙকশম য়োরেদো হায়বগা পাঙখক ওইরে



কোভিদ সেকেন্দ ৱেভনা সিটি অমদি খুঙ্গংদা মী ইতাক তাকহল্লে। ঐখোয়গী অৱাবসু নোংম-নোংমগী হেনগৎক্লি। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল, থৌবাল, ককচিং, মোইরাং অমদি বিষ্ণুপুর খুন্তাক লানশিরে। মণিপুরদা দোক্তর অমদি অমাইবা-অমাইবি কয়ানা কোভিদ-১৯ খুদুম চনশিনবা ঙমদ্রে। শিবগী চাং ৱাংখৎলে। হীরম খুদিংদা চাওখৎপগী মমি তাদ্রে। খ্বাইদগী ৱারিবদি শু-নোল্লগা হিংলিবা মীয়ামনি। মীয়াম্না নারকপগী মরমদি থিরবরা? লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা রু এন্দ রিগ্যুলেসন ইল্লিবরা? ৱানরবা তাল্লক অসিদা মীওই খরনা লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোনশিং ইন্দবা হায়বসি লাইবক থীবনি। কোভিদ ক্যের সেন্টর, অমদি ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা লোকেল এম এল এ অমদি মেদিকেল দিপার্টমেন্টশিংনা তোয়না চৎতুনা ইন্সপেক্সন তৌবা মথৌ তারে। হীদাক-লাংথক্কী অৱাৎ-অপা লৈরিবরা য়েংশিনবিবা চুমগনি। লোয়ননা সর্টিফাইট ওইদবা কয়া ফারমাসি ফমদুনা শেনদান লম্বীদা চৎথরিবসিসু থীগৎফম থোকই। পান দুকানগুম্না মণিপুরদা ফারমাসি কয়া চেঙ্গুম শৌবগুম্না শৌরি। দোক্তরনা ইরকপা হীদাক অদু পীদনা কম্পোজিসন মান্নৈ হায়দুনা পংপিদা পীবদি লানগনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিয়ু।

❐ পুয়াম অচৌ, সিখোং বাজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।


## ꯃꯤꯌꯥꯝꯗ ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/ মীয়ামদা খঙহঞ্জবা



মালেমসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা, লমদমসিদসু লৈঙাক্না মীয়াম পূনবদা অথিংবা লৈবা মতম হৌখিবা মে ২২,২০২১ অহিং মতমদা লৈখিদ্রবী মীয়ামগী ইমা জানকি লৈমগী মঙানি লৈহুন লাক্লিবা মে ২৬, ২০২১দা পাঙথোক্লগা, জুন ১, ২০২১দা লান্ন-থৌরম নোংমাইজিংচীং সনামহি কিয়োং লাইনিংকোন্দা লাইগী ওইবা থৌরম পাঙথোক্লগনি। মীয়াম পূন্না থৌরমদা শরুক য়াবা ফংদবা অসিগীদমক মীয়াম্না ৱারৌবীগনু।

HL-P/9784/26, 27 হায়জরিবা : মচিন-মনাওশিং, মচাশিং


# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।০৫।২০২১ ইং, শগোলশেল; নুংথিল পুং ১.০৩
ফাওবা কালেনগী ১৬নি পাল্লি, মতুং ১৭নি পানগনি।

মেষ: নরল চাওখৎপা, ইমুং মনুংতা নত্তনা মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি হকচাং খিংবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং অমদি নচা-ননাইগী লমদদি পেনবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরিদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: লাইবক ফবতা নত্তনা ৱাখল লৈবা নুমিৎনি। মীচং খোমহৌরো অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা মতাং চারে। পুক্নিং ফাথদ্রদি নকন্থিনা মরল মাংহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: থৌয়াম পুগনু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি মরুপ লোইনবা কান্নদবা নুমিৎনি। চুমলে খনবদুদি পাংবদা চাওনা মাই পাক্কনি। মতম মাংহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কর্কট: লেপ্তুনা মাংলোমদা চংশিল্লু মীকোক থোংবা য়াবা লৈ। মীতোপ্পুগী নুংঙাইবা ফংবা য়াই অমদি মরুপ ফংজৈ। অদুবু য়েৎনবদি মাংবতা থংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: ঙসিসু ৱাখল থোক্কনি অমদি থৌনা, লিংজেল ফুদোক্না থবক পাংবা য়াগনি। লাইগুরুনা হেন্না লুনা তৌবীবা লৈগনি। মীচং হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কন্যা: চোপ্পা য়াবদৈ কোকচরনি অমদি ঙাংথোকপদা রাশি য়াওরনি। হকচাংসু নুংঙাইরমদবা নুংঙাইরনি। অদুবু মরুপ অমদি হন্থবনা খরদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: কিবা, খুৱৌ থাংবা অমদি য়েৎনবা ময়াম লৈরসু লৌশিং চাওবা ওইবনা লাইনা থৌ পাংবা ঙমগনি-অচুম্বনা তুংদা লাকচরকই হাইবা কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: হরাওবা নুংঙাইবা অমদি ওজা-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। শেল চৎফমদি য়াম্না লৈ-ঈরাং পুগনু। অনম তানবনা ইমুংদা ফাওবা ৱাখল মান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: অশাওবনা মাংজবা, ৱাফংনবদা চোপ্পা য়াবা অমদি চরাংনবনা মরম চাদনা চাদিং তৌগনি-কাওগনু। খোংফম অমা-অনি হন্দোক্না লৈবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

মকর: হকচাং নুংঙাইবা খজিক ৱাৎলসু লন চাওখৎপা, নিংবা থুংবা, ইমুং মনুং ৱাতান্নবনা চাওখৎপা হেনবা অমদি লাইনিংবগী কান্নবা ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ব: অনিংবা থবক্তি শোইদনা পাংগনি, মরুপতি অফবা অমদি ফত্তবা অনিমক থেংনগনি-মীতোপ থাজরুনু। নোল্লুকপনা অকনবসু ঙম্মী কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: পাইরক্কী লৌশিংনা উপাই ওইবা অমদি মীয়াম্না পাম্বদু পাংনবা হোৎনবনা য়াইফগনি । হেন্না খুৎ চাওবদি নথক থোংবগা মুক্লবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।